থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অঙাংশিংবু থবক শুহনবা থিংবা নুমিৎ




কনানা ইবা ৱারীমচানো হায়বদি কাউখরে। ৱারীমচা হায়বদু করিনো খঙদ্রিঙৈদা তেরা বোয়জ জুনিয়র হায়-স্কুলদা তম্লিঙৈদা পাখিবা ৱারী অমা নীংশিংলকই। স্কুল চত্তুনা লাইরিক তম্বা ফংজদ্রবা অঙাং অমনা ইম্ফাল ময়োনগী চা-বোরা য়োনবা হোটেল অমদা গ্লাস চাম্বা য়াওদুনা থবক শুবা য়াওরগা, মশা শোল্লবী অনাবী মমা অদুনা থা ফারক্তুনা হোটেল মপু অদুদগী মচাগী খুৎশুমল লৌবা লাকপগী ঈচম চম্বা থৌদোক অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা লীবা অঙাং অমগী ৱারীনি। ঈশামকসু অঙাং ওইরিবনা, ৱারী অদুনা ঐবু থম্মোয় শোকহনখি। অঙাংদু ঐ ওইরম্লবদি কমদৌনি খল্লুবদা, ঈনাক-খুনবা-ৱাত্ত-পাদবা ইমুং অমা নৎত্রবসু, ঐগী ইমা-ববা অনীবু য়াম্না নুংশিখি। অঙাং হায়বদু ফাওবদি নীংবা থুংনা ওইরকখি ঐ।

অঙাং ওইবা ফংদবা অঙাংবু লৈবরনে? মমাগী শিয়োমনুংদা মিতল্লক্তবা, অঙাংগী পুন্সিদু চাউকান কান্দুনা মপুম মরৈ ফারকপা, অহল ওইরকপ মীবু লৈবরনে তাইবংসিদা?

ঙকপীরুনু। লৈ। অঙাং ওইবা ফংলক্তবা অঙাং, লৈ তাইবংসিদা মশিং খঙদনা। ঙসি-জুনগী চৈচৎ তরানিথোই। নুমিৎ অসি, অদুগুম্বা অঙাংশিং অদুগী অখন্নবা নুমিৎনি। মমা-মপা, মথক থোংবশিংগী মীনুংশিনা খোন্দুনা মহৈ মশিন তমগদবা, মহৌশা হায়বসি করিনো য়েংজগদবা মতমদুদা পুন্সিবু য়োৎহ্লিং-ফলাং থাংলবা ফাদোক অমগুম হিংবা হৌরকখিবা -থবক-শুবা- অঙাং (চাইল্ড লেবর) হায়বদুগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ অমনি ঙসি। মণিপুর, নৎত্রগা ইন্দিয়াখক্কী নত্তবা, মালেম পুম্বগী ওইবা 'এন্টি চাইল্ড লেবর দে'।

নুমিৎ অসি, মালেমগী অতৈ লৈপাক্তগী পুমতোং তোঙানবা মওংদা পাঙথোকপা পাম্লুই ঐহাক্লা। অতৈগী নত্তে। ঐখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টর 'নরেন্দ্র মোদি'গী অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সি অদু নীংশিংলুরগা। ...'ঐহাক পৎ তৎনা লায়রবা ইমুং অমদা পোকখি, অঙাং ওইরিঙৈ রেলৱে ষ্টেসন'দা চা য়োন্দুনা পুক থাক্লবা হোৎনরকই, ইমানা মীগী ময়ুমদা কোন-লীক ফেঙদুনা, ৱাইশীৎ-লমশেং তৌদুনা মচাশিংবু থাক্লবা হোৎনরকখি' ... প্রাইম মিনিষ্টর অমগী অঙাং ওইরিঙৈ' - পুন্সি শক্তমনি। অদুগুম্বা মীশক অমনা ঙসিদি লৈঙাক পুরেন ওইরবা লমদম অমনি - ইন্দিয়া। প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মহাকফাওবা, অঙাং ওইরিঙৈ চা য়োল্লম্মী, অচৌবা নেসন অমা ওইনবা ঐখোয়গী অঙাং খুদিংমক থবক শুহনসি - হায়বা খোল্লাউ অদুদি লাউরক্লোইদনা লৈঙাকসিনা। ইন্টরনেসনল লেবর ওর্গনাইজেসন'না ২০০২ দগী হৌদুনা জুন ১২ অসিবু 'এন্টি চাইল্ড লেবর দে' হায়না চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোক্তুনা অঙাংশিংগী মথক্তা মীওইবা খুন্নাইনা চখরিবা 'মীওৎ-মীনৈ' অসি লোইশিন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরক্লি। ওর্গনাইজেসন (আই এল ও) অসি লিংখৎখিবা চহী ১০০ শুরকপগা মরী লৈননা, হেক লিংখৎখিবা চহীদুদগী হোৎনরকপা - অঙাংশিংবু থবক শুহন্দবা হায়বা পান্দম'সিবু অখন্নবা নীংশিংদুনা চহীসিগী খোল্লাউ অমা ওইহল্লকই - 'অঙাংশিংবু লৌবুক্তা থবক শুহনগুমসি, মঙলৈবাক্তা শুহনসি'।

অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা? মালেমসিদা লৈরিবা অপুনবা অঙাং মশিংসি ক্রোর ২৬ কুম্বনি। মসিগী মনুংদা ক্রোর ১৫ মুক্তি থবক শুদুনা হিংননবা লান্থেংনবদা মমা-মপাগী মতেং পাংই। অপুনবা অঙাং শিন্মি ক্রোর ১৫ সিগী মনুংদা ক্রোর অমদি ইন্দিয়াগী অঙাংশিংনি। অদুগা, মালেমগী ওইনা চাইল্ড লেবর তরা খুদিংগী তরেৎতি লৌবুক্তা থবক শুই। মরম অসিদগীনি খোল্লাউ অসি শেম্লকখিবা - অঙাংশিংবু মমিত্তা লৌবুক উহনবগী মহুত্তা, মপুন্সিগী তুংলমচৎ শাগৎপদা মতেং পাংবা 'মঙলান' ওইনা মঙহনসি।

অঙাংশিংবু নুংশি চান্ননা লোয়নবীবগী মহুত্তা, ফাবা-পুনবা-হুরানবনচিংবা (চাইল্ড ত্রাফিক্কিং) তৌদুনা নম-হাদুনা শিনশঙ (থবক শুফম)দা শীজিন্নবগী চাং অসি হেনগৎলক্লে হায়বদি কুমজা ১৯১৯ দা লিংখৎখিবা ইন্টরনেসনল লেবর ওর্গনাইজেসন লিংখত্তুনা, অঙাংশিংবু থবক শুহনবা থিংনবা, থবক শুবা (লেবর ওইবা) হৌনবগী খ্বাইদগী তাবা চহী (মিনিমম এজ) লেপ্পদা অঙাং য়াওহন্দনবা হোৎনদুনা লাক্লবসু চাইল্ড লেবর মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপদগী, কুমজা ১৯৯৯ দা 'অঙাংশিংবু মশাগা চানদবা মওংদা থবক্তা শীজিন্নবা থিংনবা, চাইল্ড লেবর কনভেন্সন অমা কুমজা ১৯৯৯ দা পাঙথোকখি। কনভেন্সন অদুদা লৌখিবা ৱারেপ্তুগী মতুং ইন্ননি, কুমজা ২০০২, জুন ১২ দগী হৌদুনা 'ৱার্ল্ড দে এগেন্স চাইল্ড লেবর' পাঙথোক্লরক্লিবা। নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমসু কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মালেমদা চাইল্ড-লেবর লৈহন্দবা, পুম্মুৎ মুখৎপা হায়বসিনি। নুমিৎসিদা তঙাইফদনা তৌগদবা, তৌফম থোকপা থবকশিংদি - গভর্নমেন্টকী লেবর দিপার্টমেন্টকী থৌমীশিং, থবক পীরিবা শিনশঙশিংগী মরু ওইবা মীওইশিং, শিন্মীশিংগী য়াইফ-থৌরাং পায়খৎনবা শিন্মীশিংগী ইন্টরেষ্ট'তা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মরু ওইবা থৌপাংলোয়শিং উনদুনা অঙাংশিংসিবু মাগী মাগী শিনশঙশিংদগী লৌথোক্লবা পান্থে পুথোকমিন্নবা অমদি থৌরাং-থৌশিল য়াৎমিন্নবনি। অদুবু, ঐখোয়গী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বসি - 'নুমিৎসিখক্কী ওইবা থৌরম অমা শীল্লগা, শক্লাইবা খরা কৌরগা, চেবাউ পীদুনা কৌরুবা মীওই খরগী মমাংদা কদায় কদায়দগীনো থিদুনা হুমদুনা পারুবা ৱা খরা ঙাওলল্লগা চহী চুপ্পা করিমত্তা তৌদনা তুমিন ফমদুনা লৈখিগদবা মীশিংদুনা মশিং হেনবা অসিনি।

পাউদম অসি তমজরিবা ঐহাকসু অমহানি - অসিগুম্বা কোরৌ অমা থোকই খঙদুনা পাউ অসি তম্লুবনি। কনাগুম্বা মথৌ খঙবা ওর্গনাইজেসন খরনা, লেবরশিংবু নুংশিবা লেবর মিনিষ্টর অমগা খুৎশম্নদুনা করিগুম্বা খরা তৌরগদি চঙশিন্দুনা য়াওরুবা য়াই। নৎত্রবদি করিবু তৌরুনি, কোল্লম ইবা কলম্মিষ্ট অমনা। অদুবু ঐখোয়'সিমদি খঙমিন্নসি - চাইল্ড লেবর (প্রোহিবিসন এন্দ রিগুলেসন) এক্ট ১৯৮৬ (২০১৬তা এমেন্দ তৌখ্রবা)সিগী মতুং ইন্না চহী ১৫গী মখাগী মীওই খুদিংমক অঙাংনি। মখোয়বু থবক শীজিন্নবিগনু।

লৌশিং পুক্কে

# পেসিভ স্মোকিং নৎত্রগা সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা মরম ওইরগা চহী খুদিংগী অঙাং লিশিং কয়া শিনা পোল্লকপা থেংনরি



মালেমগী চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিং মরুওইনা এসিয়াদা পেসিভ স্মোকিং নৎত্রগা সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা মরম ওইরগা চহী খুদিংগী অঙাং লিশিং কয়া শিনা পোল্লকপা থেংনরি। মশামক মৈখু শীজিন্নদ্রবসু মনাক্তা লৈবা অতোপ্পা মীওই অমনা মৈখু শীজিন্নবগী থৌওংবু পেসিভ স্মোকিং হায়না খঙনৈ। পেসিভ স্মোকিংনা মীরোনবীশিংদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মরুওইনা অঙাং শিনা পোল্লকপা, শিদ্রগসু অরূম্বা শুদবা নৎত্রগা নিংশা হোনবগী মরীদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ য়োর্ককী কাঙবু অমনা কুমজা ২০০৮ দগী ২০১৩ ফাওবা ইন্দিয়া, অর্মেনিয়া, ইন্দোনেসিয়া, জোর্দান, বাংলাদেশ, নেপাল অমদি পাকিস্থাননচিংবা লৈবাক ৩০ দা পেসিভ স্মোকিংনা পীরিবা চৈথেংগী মরমদা থিজিনখি। হায়রিবা লৈবাক ৩০ অসিগী মনুংদা লৈবাক মঙাদদি ইমুং অমত্তদা পুন্না লৈমিন্নবা অতোপ্পা মীওই অমনা মৈখু শীজিন্নবদগী মীরোনবীশিংদা চাউনা অকায়বা পীবা থেংনখি।

থিজিন-হুমজিনবা কাঙবু অদুগী লুচিংবা য়ুনিভর্সিটি ওফ য়োর্ককী কমরন সিদিকনা হায়খি, পোল্লক্কদৌরিবা অঙাংশিং মশা-মউ ফহন্নবগীদমক মীরোনবী খউদিংমক সেকেন্দহেন্দ স্মোক্তগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎফম থোক্লে। মীয়াম তিনবা মফমদা মৈখু শীজিন্নবা য়াহন্দবগুম ইমুং মনুংদসু মৈখু শীজিন্নহল্লোইদবনি হায়না বৃটিশ মেদিকেল জর্নেল (বি এম জে) দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা চহী খুদিংগী মালেমদা মীওই ৬,০০,০০০ হেন্না শিহল্লি হায়রিবসিনি। স্বিদিস নেসনল বোর্দ ওফ হেল্থ এন্দ ৱেলফেয়র অমসুং ব্লুম্বর্গ ফিলানথ্রোপিজনা শেল পুথোক্লগা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টতা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী প্রোগ্রাম মেনেজর অর্মান্দো পেরুগানা হায়খি, মালেমদা চহী খুদিংগী শিরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ১ সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা মরম ওইরগা শিহনবনি। পেসিভ স্মোকিংনা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লক্তুনা চহী খুদিংগী মীওই ৩,৭৯,০০০ শিরি, নিংশা হোনবগী মরীদা অনাবা ওইহল্লপদগী মীওই ১,৬৫,০০০; অজমা ওইহল্লকপদগী মীওই ৩৬,০০০ অমসুং লংস কেন্সর ওইহল্লকপদগী মীওই ২১,৪০০ শিরি।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী টোবেকো-ফ্রী ইনিসিয়েটিব লুচিংলিবা অর্মান্দো পেরুগানা হায়খি, মালেমদা চহী খুদিংগী মৈখু শীজিন্নবনা মীওই লাখ ৫১ শিহল্লি হায়রিবসিদা সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা শিহনবা মীওই ৬,০৩,০০০ থাদ্রিবনি। হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি খা নোংপোক এসিয়া অমসুং অফ্রিকাদা পেসিভ স্মোকিংনা অঙাং ১,৬৫,০০০ শিহনবগী মতাংদনি। মমা-মপা মৈখু শীজিন্নবা অঙাংশিং সদন ইনফেন্ট দেথ সিন্দ্রোম (এস আই দি এস), নাকোং লাইখুন, ব্রোঙ্কাইটিস অমদি অজমাগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

পেরুগা অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা থেংনরকপদা সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা খ্বাইদগী চাউনা চৈথেং পীরিবসি এসিয়া অমসুং য়ুরোপতনি। অমেরিকা, ইষ্টর্ন মেদিটরেনিয়ন অমসুং অফ্রিকাদদি ফীভম খরা ফৈ হায়রি।

সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা নুপীশিংদসু অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। মসিনা মরম ওইরগা মালেমদা চহী খুদিংগী নুপী ২,৮১,০০০ শিরি। তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা মৈখু শীজিন্নবগী অখন্নবা কাঙলোন শেম্লকপা তারবসু মশা-মশাগী ময়ুমদা মৈখু শীজিন্নবা থিংনবগী থৌরাং লৌখৎপদি ওইথোক্কদবা মান্দে হায়না লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউদর্ন কেলিফোর্নিয়াগী ইনষ্টিট্যুট ফোর গ্লোবেল হেল্থকী রিছার্চর হিদর ৱিপলিনা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদদি বৃটিশ লংস ফাউন্দেসননা কার মনুংদা মৈখু শীজিন্নবা য়াহন্দনবা লো শেমগদবনি হায়না গভর্ণমেন্টতা পিটিসন ফাইল তৌবা লৈখ্রে। ফাউন্দেসনগী চীফ এগজিক্যুটিব হেলেনা শোভেলটননা হায়খি, মমা-মপা অয়াম্বনা মৈখু শীজিন্নরগা পীক্লিবা মচাদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসি ইথৌ থৌশানদবগুম তৌরি। মচাবু লম্বীদা মথন্তা থাদোকপদা খুদোংথিবা নংবা য়াই খল্লিবা মমা-মপানা মচাগী মনাক্তা মৈখু শীজিন্নবদা করিসু কায়দে খল্লিবসি অঙকপনি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া সেন ফ্রান্সিস্কোগী রিপোর্ট অমনা হায়, গাড়ী মনুংদা কনাগুম্বা মীওই অমনা মৈখু শীজিন্নবা থোক্লবদি তোংমিন্নরিবা মপুন্সিগী মৈখু শীজিন্নরক্ত্রিবা অতৈ মীওইশিংদসু খুদোংথিবা থোকহনবা য়াই। মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমনা মৈখু শীজিন্নরিঙৈদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু মনাক্তা ফল্লুবা তারবদি মপুন্সিগী মৈখু শীজিন্নরক্তবা মীওই কয়াদা কেন্সর, কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ অমসুং রেস্পিরেটরি দিজিজ ওইহল্লকপা য়াই। অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াগী রিপোর্ট অমনা হায়, সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা ইনখৎলকপী নুপীমচাশিংদা 'অফবা কোলেষ্টরোল' হায়নসু খঙনবা হায়-দেন্সিটি লিপোপ্রোটিন (ঐচ দি এল) গী চাং হন্থহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল এন্দোক্রাইনোলোজি এন্দ মেটাবোলিজম (জে সী ঈ এম) দা রিপোর্ট অসি ফোঙলকখিবনি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজগা খুৎশম্নদুনা ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ য়ুনিক আই দি ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি প্রোজেক্ট ইন মণিপুর হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা হায়খি, য়ুনিক আই দি ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি প্রোজেক্ট ইন মণিপুর হায়বসি দিসএবল্ডশিংনা সার্টিফিকেট এপ্লাইদ তৌবা অমদি থবক থৌরাং কয়া ওনলাইনগী খুথাংদা পায়খৎপা য়ানবা খোঙথাংনি। প্রোজেক্ট অসিনা দিসএবল্ড পার্সনশিংগী দেটা ওনলাইনদা ফংহন্দুনা দিসএবল্ডশিংগী ওইবা থবক থৌরাংশিংদা হেন্না খুদোংচাহনগনি। দিসএবল্ডগা মরী লৈনবা থবক পায়খৎপদা ট্রান্সপরেন্সি লৈনা পায়খৎপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পি দল্লিয়ু দি মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিসকী অন্দর সেক্রেটরি দি কে পান্দেনা ফোঙদোকখিবদা, প্রোজেক্ট অসিনা ওনলাইনদা রেজিষ্টার তৌদুনা খুদোংচাবা লৈরগনি। আই দিগী দিজিট ১৮ গী নম্বর লৈগনি। মসি চেক তৌরগা দিসএবল্ড পার্সননি হায়বদু খঙবা ঙমগনি। প্রোজেক্ট বেনিফিসরিশিংদা শেল পীবদসু ট্রান্সপরেন্সি ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## গ্রেনেদ থম্লম্বা কন্দেম তৌই

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা প্রিষ্ট হোমগী গেটতা থা অসিগী ৬ কী অয়ুক্তা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থম্লম্বা থৌওং কন্দেম তৌই হায়না ওল মণিপুর খৃষ্টিয়ন ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, প্রিষ্ট হোম হায়বসি মিসনদগী রিটয়র্দ তৌরবা প্রিষ্টশিংনা লৈবা মফমনি। মফম অদুদা রিটয়র্দ প্রিষ্ট ১০ রোম লৈ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মনা পীনবা খল্লকপদা য়াওরক্লে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): অসামগী দুব্রিদা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৭ তা পাঙথোক্কদবা লৈবাক্কীদমক কৎথোকখ্রবশিং ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরমদা মনা পীনবা খল্লকপদা মণিপুরদগী মীওই কয়ামরুম য়াওরক্লে হায়না দলিট সাহিত্য একাদেমী মণিপুরগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক খল্লক্লবশিং অদুদি, ঠিএটরগী লমদা ভিমেন্দ্র অমদি প্রিয়োকুমার, সঙ্কীর্ত্তনদা সনাতোম্বা, হৈক্রুজম তোম্বা, সাপম কিরন, ইমোবা, মনোহর, ৱারী লীবদা কুঞ্জবিহারী, পুঙদা বুধিচন্দ্র, নোংয়াই, এদ্যুকেসনগী লমদা চাওবী, নিলমনি, টিকেন, মীয়ামগী থবক তৌবদা ঙৌবা, পামৈ, কামৈ, সিমোন, সনাতোম্বী, শুনিন, অমুকোম অমদি মোইরাংথেম ওংবী সনাতোম্বীনি। থৌরম অসি য়াওরুনবগীদমক মণিপুরগী মীওই ২৭ না শাবা কাঙবু থা অসিগী ১৪ দা ইম্ফাল থাদোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

RaDiant Group
Let Us Grow Together
Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

**Manpower Requirements**

Date of Interview 14th June 2019

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume by Walk-in between 10:00 am -4:00 pm or SMS / Whatsapp us at +91-9774132616 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Corporate | Manager | 1-2 Yrs. | 1 | Graduate preferably MBA | Negotiable |
| Corporate | Internal Auditor | 2-3 Yrs. | 1 | B.Com. | Negotiable |
| Corporate | Assistant Internal Auditor | 0-1 Yr. | 1 | B.Com | 6,000-8,000 |
| Corporate | Accountant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 6,000-8,000 |
| Corporate | Cashier | 0-1 Yr. | | Graduate preferably B.Com. | 5,000-7,000 |
| Corporate | Assistant Accountant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 5,000-7,000 |
| Corporate | Office Assistant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate | 5,000-7,000 |
| Corporate | Software Developer | 0-2 Yrs. | 1 | Computer Sc./IT Graduates | Negotiable |
| Marketing and Sales | Content Writer | 0-2 Yrs. | 1 | Graduate and above (English) | Negotiable |
| Marketing and Sales | Marketing Associate | 0-3 Yrs. | 1 | MBA in Marketing | Negotiable |
| Marketing and Sales | Marketing Executive | 0-2 Yrs. | 1 | MBA in Marketing | Negotiable |
| Marketing and Sales | Digital Marketing | 0-2 Yrs. | 1 | MBA / IT Graduates | Negotiable |
| Marketing and Sales | Business Analyst | 0-2 Yrs. | 1 | MBA | Negotiable |
| Fitness | Trainer (Female) | 0-1 Yr. | 2 | N/A | Negotiable |

HL-B/5441/10-14

Sd/- HR Generalist
RaDiant Group

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।০৬।২০১৯ ইং, য়ুমশকৈশা,
ইঙাগী ১০ নি পানবা।

**মেষ:** লৈফম খংদবা শেল চৎপা, য়েৎনবনা মাংবা অমদি ফংবা য়াবা শেলসু পনবা লৈগনি। অদুবু লাইবক ফবনা মরুপ, অরং-অরাক, ফমথোল ফংবগী নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ:** হকচাং চোকথবা, থবক খুরৌ থাংবা অমদি নরলদা য়েংথিবা লৈগনি। পন্দুনা লৈরম্বা লন ফংবা য়াবা লাকই, অকিবা কোক্কনি, অঙম্বনা চানবীগনি, নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন:** খোইরাংবা ফাথৌ, সঙ্গ চাওগনু, ঈরাংদা তাউগনু অমদি অনম কনগনু। চানিংই হাইদুনা খুৎ অনি থানা চাগনু। তঙাইফদবা অরুবা থবক পাইদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীগী ৱা তাশিনবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাই, লৈফম নুংঙাই, লল্লোন-ইতিক কান্নগনি অমদি মীনা থাগৎপিগনি। অদুবু থবক মাংবা, নচা ননাইগী লমদা পেল্লোই, কাইনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ:** অনৌবা থৌরমদগী কান্নবা ফংবা, পাউ নুংঙাইবা তাবা অমদি লেংদবা লন ফংবা য়াবা লৈ। ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্নবা ৱাৎপনা লাংতক্লবা লৈগনি, তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংনা নুংঙাইবা পাউ তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা:** নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা, হাইজবগী কান্নবা ফংবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা নুমিৎনি। পাইরক্কী লৌশিং শোন্থে, চাদিং হন্থরোই, অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা:** থৌনা ফবনা লন ফংগনি, ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা ফগনি অমদি মীনা থাগৎপিগনি। অদুবু থবক মঙম শান্দে, নোল্লুক্লা চৎলু, হোয়া ফরগা চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** মীংচৎ ফংগনি, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইগনি, শেল ফংগনি, লাই গুরুনা চানগনি, হাইজ নোঞ্জবা কান্নগনি। নংগী মীনি খঞ্জরুবনা নরলদা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা ৱারৌবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**ধনু:** থবক পাংগনি, লাইবকসু ফগনি অমদি অনৌবা থবক্তনা হেন্না মাই পাক্কনি। ঈরাং তৌরগা মীগা নুংঙাইনদবা লৈগনি অমদি নরল অমদি লৈফম চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- অফবা খরা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর:** ৱাখল নে তাদে, অনম তাল্ল-তাল্লগা অচানবা কাইনবা য়াবা লৈ। পন্দুনা লৈরুবা শেল খরা ফংবা, নচা ননাইগী লমদা পেঞ্জবা অমদি মীয়াম্না য়াবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কুম্বা:** মরম চাদনা থৌনা ফুদোক্লগা নুংশাথিবা নংগনি, হন্থবা লোইনরগা নত্রগা ৱাঙাং হৈত্রগা ইকাই নুংশি য়ান্নবা নংগনি। থেংলপ্পা ওইজ ওইথক য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাংবা কনবনা য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন:** খ্বাইদগী হেন্না নিংবা থুংজবা নুমিৎনি। লল্লোন-ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি, অফবা অমদি অচুম্বা উপাইনা শেল-থুমদা নত্তনা কান্নবা য়াম্না তানবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

Admission Open

BCA
(BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)

Limited Seats
26 Only
First come, First served

Last date of Admission
20th June 2019

JCRE
GLOBAL COLLEGE
Affiliated to Manipur University

Why JGC?
- Education that combines domain knowledge with life skills for overall growth and development.
- Highly qualified faculty with rich industry experience.
- One-of-a-kind academic model that focuses on employability skills of the students.
- Special focus on practical classes, industrial visits, personality development and employability.
- Industry experts as guest/visiting faculty.

Eligibility
Applicant must have completed Higher Secondary (10+2) Examination with minimum 45% marks in total.

Documents Required:
- Class X and XII original marksheets and related certificates.
- 5 photocopies of self attested marksheets and related certificates.
- 1 Identity proof preferably aadhaar card
- 5 passport size photos

JCRE Global College, Babupara (Opp. 1st MR Ground), Imphal West - 795001
Mobile: # 7628018671 / 9678165475 / 8414934469
(Please call during 10:00 am - 4:00 pm, Mon - Sat)
e-mail: jgc@jcre.ac.in

HL-B/5383/12,13,14,16

Pinewood View School
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
ADMISSION OPENS
FOR CLASS XI (Sc.) 2019 ~ 2020 Session

PRINCIPAL: L. Somarjit Singh
Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal

GUEST LECTURERS
Kh. Dinokumari Devi — Retd. Senior Lect. English
L. Ramananda Singh — Retd. Associate Prof. Chemistry
C. Ibotombi Singh — Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Ch. Rajendro Singh — Retd. Associate Prof. Imphal College

ADVISORS
A. Puru Singh (Chemistry)
N. Singhajit Singh (Physics)

FOUNDERS
L. Kumarjit Singh (Biology) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
S. Nikunja Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL

FACULTIES
Kh. Anjila (English) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Meouni Laishram (Biology) — M. Sc. Biology, NET (JRF)
A.Sangita Chanu (Chemistry) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Jeetchand Sanabam (Physics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
N. Rojesh Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
I. Sures Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL

FACILITIES

| | |
|---|---|
| For Rankers: | Freeship + Scholarship |
| 85% & Above But Below Rankers: | Freeship + Scholarship of ₹ 3000/- per month for 2 years. (Limited Seat) |
| 80% & Above But Below 85%: | Freeship (Limited Seat) |
| 70% & Above But Below 80%: | Admission Fee free (Limited Seat) |
| 65% & Above: | Direct Admission (Limited Seat) |

pinewoodviewschool@gmail.com
Learn, Excel and Serve

HL-P/5371/22/5-12/6